য়ু এসকী ফার্মশিংদা অথিংবা থল্লগনি

বৈজিং, ওক্টোবর ২৬ (এজেন্সী):

ৱাশিংটন্না টাইৱানদা খুৎলায় য়োনবদা চেন্নরিবা লোকহিদ মার্টিন, বোইং দিফেন্স, রিথিওন অমসুং য়ু এসকী অতৈ কম্পনিশিংদা চাইনানা অথিংবা থল্লগনি হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

স্পোক্সমেন ঝাও লিজিয়াননা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা চাইনানা লৈবাক্কী অনীংবা অপান্বশিং ঙাক শেনবগী খোঙথাংশিং লৌখৎলিবনি হায়খি, তৌইগুন্বসুং করম্বা মখলগী অথিংবশিং ওইগদগে হায়বদুদি পনখিদে। পনবা য়াবদি য়ু এসকী ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা সেন্সরশিং, মিসাইলশিং অমসুং অর্টিলরি য়াওনা পুন্না দোল বিলিয়ন ১.৮গী ওইগদবা খুৎলায় সিষ্টেম অহুম টাইৱানদা য়োনবগী থৌরাং এপ্রুভ তৌখ্রবনি। বৈজিংনা টাইৱানবু লমহেনবা প্রোভিন্স অমনি হায়না লৌবগা লোয়ননা তঙাই ফদ্রবদি ফোর্স শীজিন্নদুনা লাকশিনগনি হায়দুনা লাক্লিবনি।

ওক্সফোর্দকী কোভিদ-১৯ ভেক্সিন অহল অমদি নহাশিংদা ইম্ম্যুন রেস্পোন্স লাকহল্লে

লন্দন, ওক্টোবর ২৬ (এজেন্সী):

য়ুনিভর্সিটি ওফ ওক্সফোর্দনা পুথোক্লিবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন্না মপুং মরৈ ফারবা মীওইশিংগী মরক্তা খরা অহল ওইবশিং অমসুং নহা ওইবশিং অনীমক্তা মান্নবা ইম্ম্যুন রেস্পোন্স থোকহল্লে অমসুং অহল ওইবশিংগী মরক্তা পামদবা রিয়েক্সনশিং থোকপা হন্থরে হায়না বৃটিশ দ্রগ মেকর অষ্ট্রাজেনেকানা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

AstraZeneca
Vaccine
Vaccine

মথৌ নীংথিনা তৌবা ঙমগদবা ভেক্সিন অমা পুথোকপা হায়বসিনা মালেমদা মীওই মিলিন ১.১৫ হেন্না শিহনখ্রবা, মালেমগী শেল-থুমগী ফিভম চাওনা শোকহনখিবগা লোয়ননা মালেম পুম্বগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাওনা শোকহল্লিবা নোভেল কোরোনাভাইরসকী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা লাঞ্জংদা অওনবা লাকহনগনি হায়না থাজনরিবনি।

অহলশিং অমসুং নহা ওইরিবশিংগী মরক্তা মান্নবা মওংদা ইম্ম্যুন রেস্পোন্সশিং লাকপা অমসুং কোভিদ-১৯না ফিভম লুনা নাবগী চাং ৱাংবা অহল ওইরিবশিংগী মরক্তা পামদবা রিয়েক্সনশিং থোকপগী চাং নেল্লিবসি পুক্নিং থৌগৎনিঙাইনি হায়না অষ্ট্রাজেনেকাগী স্পোক্সমেন্না এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

ভেক্সিন অদুগী টেক্নিকেল মমিং পল্লদুনা মহাক্না হায়খি মদুদি রিজল্টশিং অসিনা এ জেট দি ১২২২গী সেফটি অমসুং ইম্ম্যুনোজেনিসিটিগী ইভিদেন্স হেন্না পীরে। অহল ওইরবশিংদা ভেক্সিন অসিনা ইম্ম্যুন রেস্পোন্স লাকহল্লে হায়রিবা পাউ অসি পুক্নিং থৌগৎনিঙাই ওই। মরমদি অহল ওইশিল্লকপগা লোয়ননা ইম্মুন সিষ্টেম শোন্থরকই অমসুং অহল ওইরবশিংনা ভাইরস অসিনা শিহনবা য়াবগী রিস্ক খ্বাইদগী হেন্না ৱাংই।

মমাংদা ফাইনান্সিএল টাইমসকী রিপোর্টতা ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটি অমসুং অষ্ট্রজেনেকানা পুথোক্লিবা ভেক্সিন অদুনা ভাইরস অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহনবা য়াবা অহল ওইরবা মীওইশিংগী মরক্তা প্রোটেক্তিব এন্টিবোদিশিং অমসুং টি -সেলশিং থোকহল্লি হায়না ফোংবা লৈখ্রবনি।

ওক্সফোর্দ/অষ্ট্রাজেনেকা ভেক্সিন অসি ফাইজর অমসুং বাইও এনটেক্কী ভেক্সিন কেন্দিদেটশিংগা লোয়ননা রেগ্যুলেটরি এপ্রুভেল ফংগদবা অচৌবা ফার্মাসুটিকেল কম্পনিশিংগী ভেক্সিনশিংগী মনুংদা অমা ওইরগনি। করিগুম্বা মথৌ তৌবা ঙল্লবদি ভেক্সিন অসিনা মালেমবু শাথিরবা পেন্দেমিক অসিগী মতুংদা মহৌশাগী ওইবা ফিভমদা হঞ্জিল্লকপা ঙমহনগদৌরিবনি। ভেক্সিন অসিনা অচৌবা ইম্ম্যুন রেস্পোন্স অমা পীবা ঙম্মী হায়বসি জুলাই থাদা ফোঙখিবা ভেক্সিন অসিগী চায়েংদা শরুক য়াখিবশিংগী ইম্ম্যুনোজেনিসিটি ব্লদ টেষ্ট দেতাশিংদগী খঙবা ঙমখি। ভেক্সিন অসিনা চহী ১৮ অমসুং ৫৫ গী মরক্তা লৈবা মীওইশিংদা ইম্ম্যুন রেস্পোন্স লাকহল্লে হায়বসি উৎখি। ফাইনান্সিএল টাইমসকী মতুং ইন্না ফাইন্দিং অসিগী অকুপ্পশিং ক্লিনিকেল জর্নেল অমদা থুনা ফোংলবা য়াই।

ব্রেক্সিট দিলগী ৱারী শান্নবা ঈ য়ুগী বর্নিয়র লন্দনদা চৎলগনি

ব্রাসেলজ, ওক্টোবর ২৬ (এজেন্সী):

চহী অসিগী লোইশিল্লকপদা লল্লোন-ইতিক্কী মতাংদা চাওনা অকায়বা লাকহন্দনবগী পান্দমগা লোয়ননা তুংদা লাক্কদবা মরীগী দিল অমা পুরকপা য়াগদ্রা হায়বসি খন্ননবা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ঈ য়ু)গী চীফ নিগোসিএটর মিচেল বর্নিয়র নিংথৌকাবা নুমিত্তা লন্দনদা চৎলগনি।

য়ুনাইটেদ কিংদমনা হৌখিবা জন্যুৱারিদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোকখিবা ওইরবসু ইনফোর্মেল মেম্বর অমা ওইনা লৈবগী ট্রাঞ্জিসনগী মতম দিসেম্বর ৩১ দা লোইদ্রিঙৈগী মতাংদা চহীগী লল্লোন-ইতিক্কী চাং দোলর ট্রিলিয়ন অমরোম গভর্ন তৌনবগী দিল অমা পুরক্নবা নাকল অনীনা হোৎনরি। লন্দননা মতম খরা ৱারী শানবগী থৌরাং থাদোক্লুরবা মতুংদা নাকল অনীমক্না হৌজিক য়াশিন্নবা পুরক্নবা হোৎনরদুনা নুংতিগী মীফম চথুরি।

বোর্দর লান্না ললোনবগী থবক অয়েৎ-অপন থোকহন্দনা চথবা য়াহনগদ্রা অমদি বৃটেন্না দিল অমা য়াওদনা মথোং মরম খঙদনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোকপা অসিনা সিক্যুরিটি ইনফোর্মেসন পীথোক-পীশিন তৌনবা অমসুং রিছার্চ অমদি দিভলপমেন্ট কোওপরেসনদা কদায় ফাওবা শোল্লকপা য়াবগে হায়বসি নাকল অনীনা ৱারী শানবগী রিজল্টতগী খঙগদৌরিবনি।

ঈ য়ুগী স্পোক্সপর্সন অমনা ফোঙদোকখিবদা বর্নিয়র অমসুং মহাক্কী ঈ য়ু টিম য়ুমশকৈশা নুমিৎ ফাওবা লন্দনদা লৈগনি। মদুগী তুংদা নাকল অনীগী মরক্তা ৱারী শানবগী থবকশিং চয়োল অসি লোইদ্রিফাওবা ব্রসেলজদা ওইনা চথরগনি। ইনৌ নৌনা ৱারী শানরিবসিগী প্রোসেসকী মতাংদা ঈ য়ুগী দিপ্লোমেটশিংনা ঙন্না ব্রীফিং পীখিরোই হায়রি।

হৌখিবা চয়োলদা নাকল অনীগী মরক্ত অমুকহন্না ৱারী শানবা হৌখিবদগী থাঙ্গৈশেংনা খুমাং চাওশিল্লে অমসুং দিল অমা পুরকপা য়াবগী চান্স ৱাংনা লৈ হায়না বৃটিশ মিনিষ্টরশিংনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। টারিফশিং অমসুং কোতাশিং লৈহন্দনবগী দিল অমা পুরক্নবা য়াই হায়না আইরলেন্দগী দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর লিও ভরাদেকারনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

বিহার এসেমব্লি মীখল : অহানবা ফেজগী ভোট খোম্বগী মতম লোইশিনখ্রে, পোরম কয়া য়াৎনরি

পাটনা, ওক্টোবর ২৬(এজেন্সী):

DECISION
2020
BIHAR

বিহারগী এসেমব্লি মীখলগী অহানবা ফেজগী ভোট খোম্বগী মতম লোইশিনখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অদুদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মরক্তা পোরম কয়া য়াৎনখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা নিটিশ কুমারনা ঙরাং ফুল্লপরস কন্সটিট্যুয়েন্সিদা পাঙথোকখিবা পব্লিক রেলি অমদা বিহার ষ্টেট অসি মহাক্কী ইমুং-মনুংনি। অতোপ্পা পার্টিশিংগী ওইনদি মখোয়গী মরী-মতাশিং ওইরম্বা য়াই হায়খি। মহাক্কী ওইনা মীয়াম্বু মতেং পাংবনা মহাক্কী মথৌদাংনি হায়খি।

কুমজা ২০০৫গী মমাংদা রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি)না লৈঙাক পায়রিঙৈদা বিহার ষ্টেট অসি করম্বা ফীভমদা লৈরম্বগে হায়বদু রেলি অদুদা তিনখিবা মীয়ামদা নৌহৌননা নীংশিংহনখি। মীহাৎ-মীপূনগী থাক য়াম্না ৱাংখি অদুগা চাউখৎপগী খোঙথাংনা য়াম্না নেম্না লৈখিবা মতমনি। মদুগী মতুং জনতা দল (য়ুনাইটেদ)না লৈঙাক পায়রক্লবা মতমদা চাউখৎপগী খোঙথাং হেনগৎলকখি অমসুং মীহাৎ-মীপূনগী থবকসু হন্থখি।

চুংশিন্নবা লৈঙাক্লা ষ্টেট অদুদা মীহাৎ-মীপূন হন্থবা, শেঞ্জা-থুমজা হন্থহনবা অমসুং কম্যুনেলিজমগী ঈরাং নেমথহনবদা পূন্না থবক তৌমিন্নদুনা চাউখৎপগী হীরমদা কাঙলূপ খূদিংমক শরুক য়াহন্নবগী পান্দম অমা হৌজিক লৈরিবা বিহার লৈঙাক্লা পাঙথোক্তুনা লাকপা অদু অমুক্কসু হেন্না মপাঙ্গল কলহনগনি হায়না নিটিশ কুমারনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট অদুগী নুপীগী অহেনবা খূদোংচাবা পীবদা নৎতনা মখোয়বু ইকাই খুম্নবসু হেনগৎহনগনি। ষ্টেট অদু চাউখৎপা মতমদা নুপীশিং য়াওদ্রবদি ওইথোক্লোই হায়বগী ৱাফম থম্লদুনা মখোয়গীদমক্তা অচৌবা প্লেটফোর্ম অমা থমদুনা নুপাশিংগা লেঙ মান্ননা চৎননবসু হোৎনগনি হায়খি।

বিহারদা হান্না চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা লালু প্রসাদনা ষ্টেট অদুবু মহাক্কী ইমুং-মনুংগী ওইবা মীওইশিংগী লৈঙাক ওইনা শীজিন্ননবা হোৎনরম্বা অদু হৌজিক্তি লৈত্রবনি। মীয়াম্না পাম্বা মীরেপ অদুনা লুচিংবা ওইগদৌরিবনি।

মমাংগী মীখলদা রাষ্ট্রিয়া জনতা দলগী মায়কৈদগী মুনগর কন্সটিট্যুয়েন্সিদা বি জে পিগী মীরেপপু মায়থীবা পীবা ঙমখিবা অদু হন্দক্কী মীখল অসিদসু মায় পাকপা ঙম্ননবা হোৎনরি। আর জে দিগী মায়কৈদগী কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগীদমক্তা অভিনাস কুমার বিদ্যার্থিবু মীরেপ ওইনা নোমিনেট তৌখি। মহাক্না কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুদা চাওনা মায়োক্ন গদৌরিবা লম্বাশিং অদুদি বি জে পিগী প্রনব কুমার য়াদব, নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিগী এম দি মোকিম, রাষ্ট্রিয়া লোক সমটা পার্টিগী সুভোদ বর্মা অমদি বহুজন সমাজ পার্টিগী সুভোধ টার্ন্টি য়াওরি।

ট্রম্প অমসুং বাইদেনগী সপোর্টর ১০ গী মনুংদা মরিনা মাইথিবগী রিজল্ট য়ারোই হায়রি

ৱাশিংটন, ওক্টোবর ২৬ (এজেন্সী):

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং মহাক্কী দেমোক্রেটিক লম্বা ওইরিবা জো বাইদেন অনীমক্কী সপোর্টর ১০ গী মনুংদা মরিদগী হেনবনা নবেম্বরগী মীখলগী রিজল্ট অদু করিগুম্বা মখোয়না পামজবা কেন্দিদেট অদুনা মাইথিবা নংলবদি য়াবা ঙল্লোই হায়বসি রোইটর্স/ইপসোসকী সর্ভেনা উৎখ্রে।

ওক্টোবর ১৩ দগী ২০ ফাওবা কন্দক্ত তৌখিবা সর্ভে অদুনা দেমোক্রেটিক কেন্দিদেট বাইদেনবু শৌগৎলিবশিংগী চাদা ৪৩না ট্রম্পনা মাই পাকপগী রিজল্ট য়ারোই অমসুং ট্রম্পপু অমুক হন্না টার্ম অমগসু প্রসিদেন্ট ওইহনবা য়ানবা মীখল অসিদা মাই পাকহনবা পাম্বা অমেরিকান চাদা ৪১ না বাইদেন্না মাই পাকপগী রিজল্ট য়াবা ঙল্লোই হায়বসি উৎখি।

করিগুম্বা মখোয়-মখোয়না পাল্লিবা কেন্দিদেট অদুনা মীওখল অসিদা মাইথিরকপা তারবদি লম্বীদা থোক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌগনি নৎত্রগা ইরাং ফাওবা থোকহল্লকপা য়াই হায়না বাইদেনবু শৌগৎপশিংগী চাদা ২২ অমসুং ট্রম্পপু শৌগৎপশিংগী চাদা ১৬ না ফোঙদোকখি।

মীখলগী রিজল্টতা মীয়াম্না থাজগদৌরিবরা হায়বগী ৱাফম লাকহনখিবা শীংনবা কয়া চহী অসিদা য়ু এসকী ইলেক্সন ওফিসলশিংনা থেংনরিবনি।

রসিয়া অমসুং ইরান্না য়ু এসকী ভোটিং সিষ্টেমদা হেকিং তৌবগা লোয়ননা মীখল অসিদা য়ৈখায় থীনগায়ব পীনবগী লম্বীশিং থীরি হায়না হৌখিবা চয়োলদা নেসনল সিক্যুরিটিগী অৱাংবা থাক্কী ওফিসলশিংনা ৱার্নিং তৌবা লৈখ্রবনি।

য়ু এসতা মীখল কাঙলোন চুপ্না পাঙথোকপা নৎত্রগা পাঙথোক্তবগী ৱাফম অসিদসু ট্রম্পনা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না চিংনবা উৎখ্রবনি। লৈবাক অসিগী মীখলগী প্রোসেসতা মহাক্কী মায়োক্তা অরান-অহুই কয়া তৌখি হায়না য়েৎপগা লোয়ননা চহী অসিদা মেলগী খুথাংদা ভোট থাদবগী চাং ৱাংলিবসিনা ভোটতা নমথাক তৌবগী চাং হেনগৎহনগনি হায়না ট্রম্পনা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না ইভিদেন্স য়াওদনা ফোঙদোকখি।

করিগুম্বা ভোট মশিংদগী মহাক্না মাইথিরে হায়বগী ইঙ্গিৎ লৈবা তারবদি ঈংনা চিক্না পাৱর শিন্নবগী থৌওং লৈরোয় হয়না ট্রম্পনা ফোংদোকপা লৈখ্রবনি। সর্ভে রিজল্ট অসিনা মীখল মতুংদা ইরাং থোক্লকপা য়াই হায়না মহাক্না ৱারম্বদু খরমখৈ হন্থহল্লে হায়না কলম্বীয়া য়ুনিভর্সিটিগী পোলিটিকেল সাইন্টিষ্ট অমা ওইরিবা দোনাল্ড গ্রীননা ফোঙদোকখি।

সিব সেনাগী লোকেল লিদর ১ কাপ্তুনা হাৎখে, ১ ফারে

পুনে, ওক্টোবর ২৬ (এজেন্সী):

সিব সেনাগী লোনাভলা য়ুনিটকী চীফ ওইরম্বা মীওই অমা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্তা মহাক্কী ময়ুমদগী মিটর খরা লাপ্পা লৈবা মফম অমদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলল্লে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিসকী মতুং ইন্না মশাগী চহী ৪৩ শুরবা সেত্রিনা পুনে সিটিদগী কিলোমিটর ৬০ রোম লাপ্পা লৈবা হিল ষ্টেসন অমা ওইরিবা লোনভেলাগী জয়চানদ চোকতা লৈবা ময়ুম মনাক্কী টি ষ্টসন অমদা লৈরিঙৈদা মশক খঙদবা মীওই অনীনা মঙোন্দা নোংমৈ মরু অহুম কাপশিনখি। হান্নগী সিব সেনাগী লুচিংবা সেত্রিগী মচানুপা অসিবু মীওইহিং অদুনা থাঙগুম্বা অথৌবা খুৎলায় অমনা মঙকশমদা থীনজিল্লমখি। অয়ুক পুং ৯ লোমগী থৌদোক অদুগী তুংদা পুলিসনা মীওই অমা ফারগা ৱাহং-পাউহং চথখি।

এস পি অভিনাভ শেদমুখনা ফোঙদোকখিবদা এরিয়া অদুগী সী সী টি ভি ফুটেজ ফংলে অমসুং চিংনবা মীওই অমা ফারে।

পুলিসকী মতুং ইন্না সেত্রিগী মকোক অমসুং মথবাক্তা নোংমৈনা পানখি। মহাক মীওই খরনা মনাক নকপা লন্নাই হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি। অদুম ওইনমক মহাক শিরে হায়না দোক্তরশিংনা ফোঙদোরকখি।

মহাক্কী মরী-মতাশিংগী মতুং ইন্না মহাকপু হাৎনবা হোৎনরকপগী মওং লৈরে হায়না পাউ পীখি। থৌদোক থোক্লিবা মফম অদুগী সী সী টি ভি ফুটেজদা য়ুম্ফম ওইরগা কেস অদুগী ইনভেষ্টিসেন চথরি হায়না পুসিনা ফোঙদোকখি।

সেত্রিগী অপোকপা উমেসসু চহী ৩০ রোমগী মমাংদা লন্নাই নুঙাইনদবদগী হাৎখ্রবনি হায়রি।

এসিয়াগী খোঙচৎতা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিও ইন্দিয়াদা হান্না থুংখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৬ (এজেন্সী):

এসিয়াদা চাইনানা ইথিল পীবা হেনগৎলকপগী ফিভম অমা লাক্লিবসিদা ষ্ট্রেটেজি মরীশিং চেৎশিনহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা এসিয়াদা চৎপা নুমিৎ মঙানিগী ওইবা খোঙচৎ অমদা য়ু এসগী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিও নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইন্দিয়াদা থুংলরে।

পুল রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না পোম্পিওবু ন্যু দিল্লিদা য়ু এসকী অম্বেসেদর কেনেথ জষ্টরনা ওকখি। মহাক্না নিংথৌকাবগী নুমিদাংদা ইন্দিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সুব্রহমানয়ম জয়সঙ্করগা উনগনি। মথংগী নুমিৎ লৈবাকপোকপদনা মহাক অমসুং য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরি মার্ক ইস্পরনা জয়সঙ্কর অমসুং ইন্দিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহগা অপুনবা সম্মিট অমা পাঙথোক্কনি।

ইন্দিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবা খোঙচৎ অদুগী দ্রাফ প্রোগ্রাম অমগী মতুং ইন্না লৈবাকপোকপগী অথেংবদা পোম্পিও অমসুং ইস্পরনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উনগনি।

এনালিষ্টশিংনা হায়রি মদুদি চাইনানা এসিয়া শীন-থুংনা পোলিটিকেল অমসুং মিলিটরি ইথিল পীবা হেনগৎলকপগী মায়োক্তা মীচংশিংগী পাঙ্গল শাগৎনবা য়ু এসনা ইনৌ নৌনা হোৎনরকপগী শরুক অমা ওইনা খোঙচৎ অসি পাঙথোক্লিবনি। খোঙচৎ অসিদা পোম্পিওনা শ্রীলঙ্কা অমসুং মালদিভসতসু চৎকনি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়ন ওসিনগী ঈথৎ লৈবাক অনী অসিদা চাইনানা শেল থাদদুনা তোঙান তোঙানবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎতুনা ইন্দিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু মীপাইবা পোকহনবা লৈখ্রবনি। ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী লান্মীশিংগী মরক্তা হৌজিক বোর্দরদা উংখৎনবা লৈরিবনি।

পোম্পিওগী খোঙচৎ অদু য়ু এস প্রসিদেন্টকী মীখলগী মাঙওইননা অরোয়বা চয়োল অসিগী মনুংদা ইন্দোনেসিয়াদা লোইশিনগনি। ইন্দোনেসিয়া অসিসু য়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সীদা চাইনাগী থবকশিং হেনগৎলকপদা নুংনাংবা পোক্নরিবা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক কয়াগী মনুংদা অমনি।

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/নূংশঙগী ওজাবু থাগৎচরি

Naorem Ibomcha

ঐগী হকচাংদা নুংশং হায়রিবা লায়না অসিনা নাদুনা লৈরকপনি। লায়ওংদি পোম্বা তঙবা, নায় চারগা অদুগা মখুল হুৎলকপা, মচুম তারকপা অসিনি। লাইবক ফবদগী মরুপ অমনা হৈঙাংদা চৎলু তাক্লকপদগী চৎচরুরে। নাওরেম ইবোমচা Phone No. 6009147645/8014023792 গী হিদাক চাবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা নুংঙাইতবা অদু পুংফা ফজরে। মরম অদুনা নুংশিরবা ওজাবু মতম পুম্বগী হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি।

থাগৎচরিবা - **Laitonjam Jayanta Singh**
Patsoi Makha Leikai, Part- 4

HL-P/7620/28 Sept. to 27 Oct.

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

Ref :- Mutation case no. 868 of 2020

Waikhom Nilla Singh S/o (L) W. Yaima Singh of Lairenjam Sabal.
-Applicant

-Vrs-

(L) Takhellambam Ibochou Singh S/o T. Toyai Singh of Lairenjam.
-O.P.Pattadar

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Nambol, the 26th October, 2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ১৬-উৎলৌগী পাট্টা নম্বর ৬৬ (অনৌবা) দাগ নং ৪১০ এরিয়া একর ০.৬৭ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারি মশুনুপানা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মাগী মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

HL-P/7935/27 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Nambol**

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ ওপরেসন তৌদনা ওজা ABDUL HAK কী হীদাক চাজবদগী ফজরে

ঐহাক পাইলসনা নাদুনা চহী ৬ য়াম্না ৱানা লেল্লকখি। লায়েংবা য়াবা লায়েংখি। অদুবু ফবদি ঙমখিদে। পাউচেসিদা ওজা কবিরাজ **Abdul Hak,** Contact No. : 8794429681, 8014623756 পু থেংনজবদগী মহাক্কী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঙসিদি পাইলসকী অনাবশিং- খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, শৌজদা পেরে থোকপা, অমাংথোঙ ময়াদা চেখাইবা অমসুং হাক্কৎচবা, ঈ তাবা, পূক নাবা, থবাক ফুনবা, ঙকশম মরী নাবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা অমসুং খ্বাঙ নাবনচিংবগী অৱাবশিং কোক্লে। হকচাং য়াম্না নুংঙাইজরে। মরম অসিনা ওজা অব্দুল হকপু থাগৎচরি। মতম শাংনা মীয়ামগী সেবা মপূং ফানা তৌবীখো হায়না মপূদা থৌনীজরি।

ওজাগী লায়েংফমদি :-

1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6:00-5:00 p.m.)

থাগৎচরিবা : **L. Ajit Singh**
Wangu Makha Leikai

HL-B/6457/27

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

Ref :- Mutation case no. 360 of 2020

Angom Premchandra Singh S/o (L) A. Labukjao Singh of Leimaram Awang Leikai. (0.15 acre from Dag No. 84 and whole area of dag No. 1023)
-Applicant

-Vrs-

1. (L) Angom Labukjao Singh S/o (L) Pranam Singh of Leimaram.
2. Ningthoujam Beikul Singh S/o (L) Nobo Singh of Leimaram.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Oinam, the 26th October, 2020

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ২৮-লৈম্রামগী পাট্টা নং ১৪৮ (অনৌবা) দাগ নং ৮৪, ১০২০, ১০২৩ এরিয়া একর ২.৭৭, ০.৪২, ০.৪৭ চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসিগী পাট্টাদর নং-১ অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মাগী শরুক মখৈ মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

Sd/- **S. Budhichandra Singh**
Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-P/7935/27

IN THE COURT OF THE ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING

Ref :- Mut. Case No. 902/AS&SO 21/10/2020

Yengkhom (o) Memcha Devi W/o Y. Surchandra Singh of Kakching Chumnang Leikai.

-Vrs-

Yengkhom Surchandra Singh S/o Naran Singh of -do-

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

21/10/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈননা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরনা ককচিং তহশিল খুল নং ৬২-ককচিং ৱাইরি পাট্টা নং ২৮/১৫/৭০৫/১২৫৬/১২৫৬/Pt(B) দাগ নং ৩০৩৪/৩০৩৪/Pt(B) এরিয়া .০১৭১ & .০১৫ হেক্টর ইংখোল লৌফম অসিগী পাট্টাদার য়েংখোম সুরচন্দ্রা সিংহ পী: নরান সিংহ সাং ককচিং চুমনাং লৈকাই অসি মৃতু ওইখ্রে, মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপীরগা পিটিস্নরগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইংখোল লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Asst. Survey & Settlement Officer
Kakching

HL-B/6478/27

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE REGISTRAR OF SOCIETIES : THOUBAL

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE OF OBJECTION

Thoubal, the dated 26th October, 2020

No. Prop/SR/TH/2020-21: It is hereby notified for general information that an application has been received by this office from the proposed **"United Youth Club",** Atoukhong Mamang Leikai, on 26/10/2020 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the Membership area of operation of Atoukhong Mamang Leikai.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Assn. for submitting/inviting object if any in writing (Aadhaar of the complainant or secretary with seal for orgn.) to the undersigned against the formation/registration of propose Board at Atoukhong Mamang Leikai within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complaints/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed "United Youth Club", Atoukhong Mamang Leikai may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection, receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- **Th. Sundari Devi**
Deputy Registrar of Societies, Thoubal

HL-P/7928/27

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা, মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা খূৎনা ইনশিল্লবসু চঙউ য়ারক্তবা, ঙাইহাক্তুং ফমথবগা তপ্পা-তপ্পা ইনশিনবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা ফহনবগীদমক ওজা অজাদপু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা নুংশংনা নাদুনা খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা, মশানা হঙ্গৎলু য়াদবদগী খূৎনা ইনশিনবা, খূৎনা ইনশিল্লবসু চঙউ য়ারক্তবা, ঙাইহাক্তুং ফমথরগা তপ্পা-তপ্পা ইনশিনবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, হকচাংদা ঈ ৱাৎশিল্লকপা, হকচাং চোকথ-ৱান্থরগা করিমত্তা শুনিং চৎনিংবা পোক্তবা, পোত্থারগতা লৈনিংবা, শা-ঙা, থাউ, মোরোক চারগনা অনাবা হেনবা, খোঙ অকনবা হান্নকপা মতমদা অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা চৎপা, খোঙ হাম্বদা তৎফম অদুদা থেংবদা য়াম্না নাবা, অমাংথোঙ মনুংদসু পোমথোরকপা, চক্-চক্ থিল্লকপা, পূকচেপ নাবা, থজিন শাওগৎপা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা খনাউদা ইথন্তা থনগৎপা, খোঙয়া শাবা, ফম্বী শোনবা, ঙকশম মরী নাবা, শয়েং অনীমক চিকপা নাবা, খ্বাঙ নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদপু পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/7758/27 *থাগৎচরিবা :* **Ph. Asakumar**, Uripok